# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা নোংচুপ বেঙ্গল মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরে। মীওই অমা লৈখিদ্রে।

২) মণিপুরদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালগী শাহুম য়ৌরক্লে, ইম্ফালদগী পাইখিগদবা অমদি পাইরকক্দবা এরোপ্লেনশিং কেন্সল তৌখ্রে।

অমসুং

৩) ম্যান্মারদগী খুৎশু খুৎলায় লল্লোনদুনা মণিপুর অমদি মিজোরমদা পুশিল্লকপা মীওই অমা এন.আই.এনা ফারে।

------

সাইক্লোন ঃ বঙ্গোপ সাগরগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরম্বা নোংলৈ নুংশিৎ রেমাল অৱাং থংবা শরুক্তা চংশিল্লক্তুনা বঙ্গলাদেশকী খেপুরাদগী খা অমদি খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা য়ৌরক্তুনা পাক্তকনা নোং চুরে। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা সাগর আইলেন্দদগী কিলোমিতর ১১০ লাপা অৱাং পাংনা বঙ্গলাদেশ লানশিনদুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবানলোমদা চংশিল্লক্লি। লাক্লিবা পুং খরগী মনুংদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা বঙ্গলাদেশকী মোংগ্লা খা নোংচুপ থংবা মফম অদুগা নোংচুপ বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবান ওইরিবা সাগর আইলেন্দ অমসুং খেপুপারারোমদা চংশিল্লক্লি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী মফম কয়াদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা সাগর আইলেন্দগা ফাওনবা মফম কয়াদা হৌবা উ পাম্বীশিং তেক্লে।

এন.দি.আর.এফকী মীওইশিংনা লম্বীশিং ফাওননবা হোৎনরি। কোলকাতাগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। নোংচুপ বেঙ্গল এন্তোলিগী বি.পি বগানদা লৈবা য়ুম অমা নিংখায়রকপদগী মীওই অমা শিরে। নোর্থত্বেন্তি ফোর পরগনাজগী মফম কয়াদা পুংদা কিলোমিতর ৭০ দগী ৮০ ফাওবা য়াংনা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলি। বরুন হাট অমসুং অরহসনাবাদতা লৈবা তুরেল মথক্তা শাবা ডামশিং ঈশিং লিক ওইবগী পাউ ফংলে।

মেট বিভাগকী রিপোর্ট মতুংইন্না পুংদা কিলোমিতর ৯০ দগী ১১০ ফাওবা য়াংবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি বঙ্গলাদেশকী সমুদ্র খোঙবাল, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অৱাং থংবা ওরিষারোমদা ঙরাং নুমিদাং চংশিল্লকখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অসি লাক্লিবা পুং খরা অসিদা পুংদা কিলোমিতর ১৩৫ য়াংনা চংশিল্লক্কনি হায়রি।

নোংলৈ নুংশি রিমালনা থোকহল্লক্কদবা খুদোংথিবশিং মায়োকনবগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শ্রী মোদিনা রাজ্য সরকারশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা ওইরক্লিবা ফিভম অসি গৃহ মন্ত্রালয়না কুপা য়েংশিন্নবা পাউতাক পীখ্রে। নোংচুপ বেঙ্গলদা লৈরিবা এন.দি.আর.এফ টিম ১২ অমসুং ওরিষাদা টিম অমা লৈরিবা অদুগী মথক্তা অহেনবা টিম থমবা পাউতাক পীখ্রে। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনসু এন.দি.আর.এফকী টিমশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মরক অসিদা, বঙ্গলাদেশতা মীওই লাখ ৮ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। মসিদসু নত্তনা য়ুমদা য়োকপা শা-ষনশিং সাইক্লোন সেলটরশিংদা থমখ্রে। দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট বিভাগকী দাইরেক্তর জেনেরেলনা হায়-বঙ্গলাদেশকী ওইনা অপুনবা সাইক্লোন সেলটর লিশিং ৮,৪৬৪ হাংদোক্তুনা থমলে। লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা সমুদ্র খোঙবালগী জিলা ১৯ দা খুন্দারিবা মীওইশিংগীদমক মরুওইনা সেন্তরশিং অসি হাংদোকপনি। লোয়ননা সমুদ্র খোঙবালদা লৈরিবা স্কুলশিংসু ছুতি থাদোক্লে হায়রি। মহাকা মখা তানা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা অৱা অনা তারবশিং তেংবাংনবগীদমক

মেদিকেল টিম লিশিং ১,১৮৫ অমসুং ভোলুন্তিয়ার লিশিং ৮,৬০০ থৌরাং তৌদুনা থমলে।

নোং (এল) ঃ নোংলৈ নুংশি রিমালনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা ঙরাংদগী নোং পাক্তকনা চুরে। অকনবা নুংশিৎ শিৎত্রবসু মফম খরদা নোং কন্না চুবগী পাউ ফংই। নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা ইম্ফালদা পাইরক্কদবা অমদি ইম্ফালদগী পাইগদবা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে।

ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী পাউ মতুংইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাইগদবা কোলকাতা-ইম্ফাল, ইম্ফাল-কোলকাতা, ইম্ফাল-দিব্রুগর, দিব্রুগর-ইম্ফাল, শিল্লোং-ইম্ফাল, ইম্ফাল-শিল্লোং, ইম্ফাল-আগরতালা, আগরতালা-ইম্ফাল, ইম্ফাল-সিলচর, সিলচর-ইম্ফাল ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌরে হায়রি। পাউ অসিনা পেসেঞ্জরশিংনা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংলগা ফ্লাইটকী টিকেৎশিং রিফন্দ তৌনবা নত্রগা অতোপ্পা খুদোংচাগদবা নুমিৎ অমদা পাইনবা খঙহল্লক্লি।

পারিক্ষা(এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ়কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা কুমসি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসনগী ফল ঙসি নুংথিল লাউথোক্লগনি। বাবুপারা ইম্ফালদা লৈবা বোর্দকী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্কনি। থৌরম অদুদা এদুকেসন (এস)কী কম্মিসনার- ঐচ. গ্যানপকাশ, দাইরেক্তর এল. নন্দকুমার, বোর্দকী চেয়ারমেন অখাম জোয়কুমারনচিংবা শরুক য়াগনি।

নিংশিংবা য়াই, চহি অসিগী মার্চ ১৫ দগী হৌরগা এপ্রিল ৮ ফাওবা চত্থখিবা পরিক্ষা অদুদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ রোমনা শরুক য়াখি। পরিক্ষা অদুদা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ৯,১১৯, এদেদকী লিশিং ১,৩১৫ অমসুং প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭, ২৮১ না পুন্না সেন্তর ১৫৪ পরিক্ষা থাখি।

কুমশি চহিদগী হৌনা বোর্দনা লৌবা মেত্রিক পরিক্ষা অসিদা গ্রেদ সিষ্টেম ওইনা চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। গ্রেদ সিষ্টেম অসি এ ৱানদগী ই-টু ফাওবা লৈগনি। মসিনা মরম ওইদুনা দিবিজন নত্রগা রেঙ্ক লৈররোই। সবজেক্ট অমদা মার্ক ৯১ দগী ১০০ ফাওবা ফংবা মহৈরোইশিংদা এ-ৱান পীদুনা গ্রেদ পোইন্ট তেন পীগনি। মার্ক ৮১ দগী ৯০ ফংবশিংনা গ্রেদ-এ-টু পীদুনা গ্রেদ পোইন্ট নাইন হায়না পীগনি। মার্ক ৭১ দগী ৮০ ফাওবা ফংবা মহৈরোইশিংনা বি-ৱান পীদুনা গ্রেদ পোইন্ট আইট ফংগনি।

সাহিত্য (এল) ঃ সাহিত্য থৌপাং লুপনা চহি খুদিংগী পীবা নিংঙোম্বম ফৈরাবা এৱার্দ কুমশি চহিগী ওইনা থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তেন্থাগী তেন্থা খোংবাল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনদা পীরগনি। লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা মনা অসি লাক্লিবা জ্ন ৫ দা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে নুমিৎতা পীগনি হায়রি।

এনআইএ ঃ ঙমখৈ লান্না খুৎশু খুৎলায় লল্লোন ঈতিক তৌবগা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না মিজোরমগী মফম কয়াদা থি হুন্থবগী থবক চথবদা মীওই অমা ফারে। এন.আই.এনা নোংমৈ য়োনফম দুকান অনি য়াওনা আইজোল জিলাগী মফম কয়াদা থি হুন্থবগী থবক চথবদা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি। থিজিনবা অদুদা পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং, নোংমৈ মরু, দিজিতেল পোৎলমশিং, চে চাং কয়ামরুম ফংলে হায়রি।

অৱাং নোংপোক ভারত্তা খুৎশু খুৎলায় লল্লোনবগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই অনি ফারে। এন.আই.এনা থিজিনবগী মতুংইন্না মীওই অসিনা ম্যান্মার অমসুং মিজোরমগী ঙমখৈ পরিংদা নেটৱার্ক শেমদুনা খুৎশু খুৎলায় পুথোক পুশিন তৌনবা হোৎনরি হায়বদু খঙলে। থিজিনবা অদুগী মতুংইন্না ম্যান্মারদগী পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুম য়াওনা খুৎলাইশিং মণিপুর অমসুং মিজোরমদা পুশিল্লক্লে হায়বা খঙলে।

কেম্পেন ঃ ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোৎ খোম্নবগী থবক খম থেংনা কল্লে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ গী সিট ৫৭ কীদমক জন্‌ ১ দা ভোৎ থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লন্বা তৌনরি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, সমাজৱাদি পার্তি লুচিংবা অখিলেস যাদব, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্‌ন খরগে, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনচিংবনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোৎ খোমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রে মণিপুরী ইদিসনদা- মীতৈ অমসুং কুকিগী থাজনদবা কোকহন্নবা হোৎনরি হায়বা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- প্রোপেগন্দা ৱার তৌই হায়বগীদমক ইন্দিয়ান ইন্টেলিজেন্সপু এন.এস.সি.এন্না মরাল শিরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- সরকারগী ওফিসিয়েলশিং য়াওবা পুলিস টিমনা মোলনোম খুলগী থোং শারিবা মফম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে, মোলনোম খুলগী ভিলেজ চীফতা দি.সিগী অয়াবা য়াওদনা থোং শাদনবা খঙহল্লম্লে হায়না ফোটোগা কোন্ননা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- মৈতৈ চেং হৌজিক কে.জিদা লুপা ৫৫ পীরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- হোংলক্লিবা অঙৌং অশাগী খল অসি থেংনবদা অরিবা ৱাখল লৌশিং শিজিন্নবা তঙাইফদে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ইং ১৯৬০ গী মতুং ঙরাং গুৱাহাতিদা খ্বাইদগী শাবা মায়োকখ্রে, অসামদা অহানবা ওইনা হিট ৱেভকী এলার্ট লাউথোকখ্রে হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

সনাৌবাক্তা- হৱালা চেন্নেলগী খুথাংদা শেল পীনদুনা মণিপুর, মিজোরমনা ম্যন্মারদগীর খুৎলায় লৈরি হায়বা এন.আই.এগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- সাইক্লোন রেমালনা মরম ওইরগা ফ্লাইট অমদি ট্রেনশিং কেন্সেল তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- লোক সভা মীখল লোইরবা মতুংদা মণিপুরদা ইং তপ্পা পুরকবা মাংজিল থানা হোৎনগনি হায়বা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- নন-মণিপুর অমনা মহাক্কী ফেক্তরিদা থবক তৌবী নুপী অমবু ফল্লানগে তৌবগী চৈরাক পীবনি হায়বা আর.পি.এফকী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------